# তামো এফ সী ৱাঙ্গোই অমসুং ইমোইনু এফ সী কুম্বী সেমি ফাইনেল চঙখ্রে



**ইম্ফাল, নবেম্বর ১৮ (ঐচ এন এস):** গোল্ডন পিল্লর ক্লবনা শীন্দুনা উচিৱা মমাঙ লৈকায়দা লৈবা ইবুধৌ পাখঙবা স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা টিম ২১না শরুক য়ারগা চথরিবা অনীরকশুবা ষ্টেট লেভেল এদভোকেট শগোলসেম জিতেন মৈতে মেমোরিএল ভিলেজ মেন ৫-এ-সাইদ ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০২৫ গী ঙসি শান্নখিবা তোঙান তোঙানবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচশিংদা তামো এফ সী ৱাঙ্গোই অমসুং ইমোইনু এফ সী কুম্বী মায় পাক্তুনা সেমি ফাইনেল চঙবা ঙমখ্রে।

ঙসি নুংথিল পুং ৩ তাবদগী হৌরগা চথরক্লিবা ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিগী অহানবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা আই টি এফ সী (এ) অমসুং তামো এফ সী ৱাঙ্গোইগী মরক্তা লম্বা তৌনখি। টিম অনীগী মরক্তা ঙসি শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা নাকল অনীমক্কী শান্নরোয়শিংনা চাংচৎতা হৈশিংবা মান্ননা শান্নবা ঙমখিবনা মরম ওইরগা অমনা অমবু লাকচনা কন্ট্রোল তৌদুনা শান্ননবা হোৎনখিবশিং মায় পাকপা ঙমখিদে। মদুনা মরম ওইরগা অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা টিম অনীমক্না পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা লৈখি।

অনীশুবা হাফ শান্নখিবা অদুগী হৌগৎলকপা ২৮ শুবা মিনটতা তামো এফ সীগী টি ঐচ রোহিতনা মেটচ অদুগী অমদি টিমগী অহানবা পাঞ্জল চনবা ঙমখি। আই টি এফ সী (এ)গী মায়কৈদগী মখোয়গী মায়োক্তা চনশিনখিবা পাঞ্জল অদু হন্দোকপা ঙম্নবা য়াম্না কন্না হোৎনখি। অদুবু মেটচকী অপীবা অরোয়বা মতম ফাওবদা ইক্বেলাইজর ওইগদৌরিবা পাঞ্জল অদু চনবা ঙমখিদবনা মরম ওইরগা মেটচ অদু তামো এফ সী ৱাঙ্গোইনা পাঞ্জল ১-০দা মায় পাক্লগা সেমি ফাইনেল চঙবা ঙম্বা অহানবা টিম ওইখিবনি।

নুংথিল পুং ৫ তাবদগী হৌরগা ইমোইনু এফ সী কুম্বী অমসুং অতিংঙা এফ সী ক্যামগৈগী মরক্তা অনীশুবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ শান্নবা হৌখি। টিম অনীগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা ইমোইনু এফ সী কুম্বীগী শান্নরোয়শিংনা হৌগৎলকপদগী বোল খরা হেন্না পায়দুনা শান্নবা ঙমখিবনা মরম ওইরগা পাঞ্জল চনবা য়াবগী খুদোংচাবসু মশিং হেন্না ফংবা ঙমখি।

টিম অনীগী মরক্তা ঙসি শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা ইমোইনু এফ সী কুম্বীনা পাঞ্জল ৩-০দা মাঙজিল থারগা লৈখি। পাঞ্জলশিং অদু মেটচ অদুগী ১২ অমসুং অহানবা হাফকী ইঞ্জুরি টাইমদা এস মালেমঙানবনা অনী অদুগা ১৩ শুবা মিনটতা বি অরুননা অমা চনখিবনি।

অনীশুবা হাফ শান্নখিবা অদুদা অতিংঙা এফ সী ক্যামগৈগী মায়কৈদগী পাঞ্জলশিং অদু হন্দোকপা ঙম্নবা অকনবা মওংদা হোৎনরকখি। নাকল অনীগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী অপীবা অরোয়বা মতম ফাওবদা ইমোইনু এফ সীগী মায়কৈদগী পাঞ্জল অহুম অদুগা অতিংঙা এফ সীগী ওইনসু পাঞ্জল অহুম চনবা ঙমখিবগা লোয়ননা মেটচ অদু ইমোইনু এফ সী কুম্বীনা পাঞ্জল ৬-৩দা মায় পাক্তুনা সেমি ফাইনেল চঙবা ঙম্বা অনীশুবা টিম ওইখিবনি। ইমোইনু এফ সীগী অনীশুবা হাফকী পাঞ্জলশিং অদু দব্লিয়ু দিসালনা অনী অদুগা বি অরুননা অমা চনখিবনি।

# বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টনা পুন্না মেদল ৬৬ ফংলগা ওভর ওল টিম চেম্পিয়ন ওইখ্রে

**ইম্ফাল, নবেম্বর ১৮ (ঐচ এন এস):** ইম্ফালগী তাকয়েলপাৎতা লৈবা সাই এন ঈ আর সীগী ৰুশু ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা চথরকখিবা ষ্টেট লেভেল ৰুশু চেম্পিয়ন্সিপ ২০২৫ ঙসি লোইশিনখিবগা লোয়ননা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টনা পুন্না মেদল ৬৬ ফংলগা ওভরওল টিম চেম্পিয়ন ওইখ্রে।

ৰুশু এসোসিএশন ওফ ইন্দিয়া অমদি সাই এন ঈ আর সী তাকয়েলপাৎ অনীগী মতেংগা লোয়ননা ইন্দিয়ান আর্মিগী রেদ সিল্ড দিভিজননা শীন্দুনা থা অসিগী ১৫দগী হৌরগা চথরক্লিবা ৰুশু চেম্পিয়ন্সিপ অদুদা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টনা গোল্ড মেদল ২৫, সিলভর মেদল ১৭ অমদি ব্রোঞ্জ মেদল ২৪ য়াওনা পুন্না মেদল ৬৬ ফংলগা ওভরওল টিম চেম্পিয়নগী টাইটল লৌবা ঙমখিবনি।



চথরকখিবা চেম্পিয়ন্সিপ অসিদা সাই এন ঈ আর সী তাকয়েল পাৎনা গোল্ড মেদল ১১, সিলভর মেদল ৬ অমদি ব্রোঞ্জ মেদল ১১ য়াওরগা পুন্না মেদল ২৮ ফংদুনা ওভলওল টিম রন্নর্স অপ তাবা ঙমখি। মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা দিষ্ট্রিক্টতগী লাকপা নুপা অমদি নুপী ৰুশু শান্নরোয় ৬১৫না শরুক য়াদুনা সানসৌ অমদি তাওরু ইভেন্ট অনীদা অথোয় অহেন তান্নখিবগী ঙসি অরোয়বা ইভেন্টতা সানসৌ ইভেন্টকী চহী ১৪ মখা কাঙলুপকী নুপীমচাগী কেজি ৪৫গী ফাইনেল বাউথতা বিষ্ণুপুরগী এ লিম্থোইনা থৌবালগী জি প্রেমেশ্বরিবু মায়থীবা পীরগা গোল্ড মেদল লৌবা ঙমখি। সিনিয়র মেনগী সানসৌ ইভেন্টকী কেজি ৬০ কাঙলুপকী ফাইনেলদা ইম্ফাল ইষ্টকী ৱাইখোম নিরজনা সাই এন ঈ আর সীগী এন নরেশ মায়থবীবা পীরগা গোল্ড মেদল লৌবা ঙমখি। লোয়ননা সিনিয়র মেনগী কেজি ৭০ কাঙলুপকী সানসৌ ইভেন্টকী ফাইনেলদনা সাই এন ঈ আর সীগী এস হিটলরনা আর সী সী খুমন লম্পাককী টিম সুরজবু মায়থীবা পীরগা গোল্ড মেদল লৌবা ঙমখিবনি।

চেম্পিয়ন্সিপ অদু লোইশিনবগী থৌরমগা মরী লৈননা থাঙ-তাগী দেমোনষ্ট্রেসন অমসুং ৰুশু তাওরু ইভেন্টকী দেমোনষ্ট্রেসন উৎতুনা মীয়ামগী পুক্নিং চাংশিনখি। মসিগা লোয়ননা ৰুশু মশান্নদা মণিপুরদগী লেমজনিংঙাই ওইরবা অর্জুনা এৱার্দি ৱাঙ্খেম সনধ্যরানি, ময়াংলম্বম বিমোলজিৎ, য়ুম্নাম সনাথোই অমদি নাওরেম রোসিবিনাদা অসাম রাইফলসকী মায়কৈদগী মমেন্তো অমমম খুদোল তমদুনা ইকায় খুম্নবা উৎখি।

চেম্পিয়ন লোইশিনবগী থৌরমদা অথোয়বা মীথুংলেন ওইখিবা রেদ সিল্ড দিভিজন জি ও সী লৈমখোংগী মেজর জেনরেল এস এস কার্তিকয়ানা ওভরওল টিম চেম্পিয়ন ওইখ্রবা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট অমদি রন্নর্স অপ তাহৌখ্রবা সাই এন ঈ আর সী টিমদা শেলগী মনা ওইনা লুপা লাখ অমা অমসুং লুপা লিশিং ৭৫গা লোয়ননা ট্রোফি অমমম খুৎশীন্নদুনা পুক্নিং থৌগৎখি।

থৌরমদুদা ৱা ঙাংলদুনা মেজর জেনরেল কার্তিকয়ানা ফোঙদোকখিবদা ইন্দিয়ান আর্মিনা মণিপুরদা ঈং তপ্পা পুরক্নবা অমদি মণিপুরগী শান্নবগী হৈথোই শিংথোইবা অসিবু মপুং ফানা য়োকখৎনবগী পান্দমদা মমাঙ চহীদা অহানবা ওইনা বিষ্ণুপুরদা দিষ্ট্রিক্ট লেভেল কম্পিটিসন ওইনা পাঙথোকখ্রবা মতুং হন্দক্কী চহী অসিদা ষ্টেট চেম্পিয়ন্সিপ ওইনা পাঙথোকপনি হায়খি।

# দি এস এ সেকেন্দ দিভিজনঃ এস এফ সী সোরা অমসুং এম ৱাই সী ৱাইখোং মায় পাকখ্রে



**ইম্ফাল, নবেম্বর ১৮ (ঐচ এন এস):** দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিএশন ( দি এস এ)ককচিংনা শীন্দুনা এসোসিএশন অসিগী শান্নবুংদা চথরিবা সেকেন্দ দিভিজন ফুটবোল লিগ ২০২৫গী ঙসি শান্নখিবা তোঙান তোঙানবা মেটচশিংদা এস এফ সী সোরা অমসুং এম ৱাই সী ৱাইখোং টিমশিং মায় পাকখ্রে।

ঙসি নুমিৎয়ুংবা মতুং পুং ১২.৪০ তাবদগী হৌরগা টুর্নামেন্ট অসিগী ১১ শুবা মেটচ ওইনা এস এফ সী সোরা অমসুং পি ৱাই সী কৈরক টিম অনীগী মরক্তা লম্বা তৌনখি। টিম অনীগী মরক্তা ঙসি শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা হৌগৎলকপদগী এস এফ সীগী শান্নরোয়শিংনা বোল হেন্না পায়দুনা লাকচনা শান্নবা ঙমখিবগা লোয়ননা অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা পাঞ্জল ৫-১দা মাঙজিল থারগা লৈখি।

অনীশুবা হাফ শান্নখিবা অদুদা পি ৱাই সীগী মায়কৈদগী মখোয়গী মায়োক্তা চনশিনখিবা পাঞ্জলশিং অদু হন্দোকপা ঙম্নবা য়াম্না কন্না হোৎনরবসু মেটচকী অপীবা অরোয়বা মতম ফাওবদা পাঞ্জল অমদগী হেন্না চনবা ঙমখিদে। অদুগা এস এফ সীগী ওইনা মখা তানা পাঞ্জল অহুম চনবা ঙমখিবগা লোয়ননা মেটচ অদু এস এফ সীনা পাঞ্জল ৮-১দা মায় পাকখিবনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ১২ শুবা লিগ মেটচ ওইনা জে এ ককচিং অমসুং এম ৱাই সী ৱাইখোংগী মরক্তা লম্বা তৌনখিবা অদুগী ওইনা এম ৱাই সী ৱাইখোংনা হৌগৎলকপদগী বোল হেন্না পায়দুনা লাকচনা শান্নবা ঙমখিবগা লোয়ননা পাঞ্জল চনবা য়াবগী খুদোংচাবসু মশিং হেন্না ফংবা ঙমখি। টিম অনীগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী অপীবা অরোয়বা মতম ফাওবদা এম ৱাই সী ৱাইখোংনা পাঞ্জল ৪-১দা জে এ ককচিংবু লাকচনা থোইবা ঙমখিবনি।

# অমোফা মোইরাং অমসুং সগোলবন্দ য়ুনাইটেদ মায় পাকখ্রে

**ইম্ফাল, নবেম্বর ১৮ (ঐচ এন এস):** শেক্তাগী এস এস সী গ্রাউন্দদা চথুরিবা অহুমলকশুবা মণিপুর প্রেমিয়র লিগ ২০২৫গী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা ওল মোইরাং ফুটবোল এসোসিএশন (অমোফা) মোইরাং অমদি সগোলবন্দ য়ুনাইটেদ মায় পাকখ্রে।

শৈখ বাবুমচা মেমোরিএল ত্রষ্টকী স্পোন্সরশিপ মখাদা ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএশন (অম্ফা)না শীন্দুনা টিম ১৫না শরুক য়ারগা চথরিবা মণিপুর প্রেমিয়র লিগকী ঙসি অহানবা গ্রাউন্দগী ৬৪ শুবা লিগ মেটচতা অমোফা মোইরাং অমদি ময়াং ইম্ফাল য়ুনাইটেদ এফ সীগী মরক্তা লম্বা তৌনখি। টিম অনীগী মরক্তা লম্বা তৌনখিবা মেটচ অদুগী ওইনা নাকল অনীমক্কী শান্নরোয়শিংনা চাংচৎতা হৈশিংবা মান্ননা শান্নবা ঙম্লবসু মেটচকী অপীবা অরোয়বা মতম ফাওবদা অমোফা মোইরাংনা ময়াংইম্ফাল য়ুনাইটেদ এফ সীবু পাঞ্জল ২-১দা থোইবা ঙমখি। অমোফা টিমগী মায় পাকপগী পাঞ্জল অনী অদু মেটচ অদুগী ৫৬ অমসুং ৭৯ শুবা মিনটতা মোইরাংথেম সোমোকান্ত অমসুং হেমাম বিজিওনা অমমম চনখিবনি। অদুগা মেটচ অদুদা মায়থীবা নঙখ্রবা ময়াংইম্ফাল য়ুনাইটেদ এফ সীগী অমত্তা ঙাইরবা পাঞ্জল অদুনা মেটচ অদুগী ৬৭ শুবা মিনটতা মাইবম কিষননা চনখিবনি।

প্রেমিয়র লিগ অসিগী ঙসি অনীশুবা গ্রাউন্দগী ৬৫ শুবা লিগ মেটচতা সগোলবন্দ য়ুনাইটেদ অমসুং ক্ষেত্রি ইরিল মপাল য়ুথ ক্লবকী মরক্তা লম্বা তৌনখি। টিম অনীগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা হৌগৎলকপদগী নাকল অনীমক্কী শান্নরোয়শিংনা চাংচৎতা বোল পায়বগী চাং মান্ননা শান্নবা ঙমখি।

টিম অনীমক্না মখোয়গী হৈশিংবশিং মপুং ফানা উথোক্লদুনা শান্নখিবা মেটচ অদুগী অপীবা অরোয়বা মতম ফাওবদা সগোলবন্দ য়ুনাইটেদনা ক্ষেত্রি ইরিল মপাল য়ুথ ক্লবপু পাঞ্জল ২-১দা মায়থীবা পীরমখিবনি। মেটচ অদুদা সগোলবন্দ য়ুনাইটেদকী মায়কৈদগী মায় পাকপগী পাঞ্জলশিং অদু ৫৭ অমসুং অনীশুবা হাফকী ইঞ্জুরি টাইমদা মথংশিংনা গনিংঙম মলংমৈ অমসুং রেৱুং আর সিমরেনা অমমম চনখিবনি। অদুগা মায়থীবা নঙখ্রবা ক্ষেত্রি ইরিল মপাল য়ুথ ক্লবকী অমত্তা ঙাইরবা পাঞ্জল অদুনা মেটচ অদুগী ৫৫ শুবা মিনটতা এম দি মুস্তোফানা চনখিবনি।

# জেদ ঈ ও জোন-থ্রীনা শীন্দুনা দিষ্ট্রিক্ট লেভেল স্পোর্টস ইভেন্ট পাঙথোকখ্রে



**থৌবাল, নবেম্বর ১৮ (ঐচ এন এস):** সমগ্র সিক্ষ্য ষ্টেট ইমপ্লিমেন্টিং সোসাইটি মণিপুরগী মীৎয়েং মখাদা জেদ ঈ ও জোন-থ্রী থৌবালনা শীন্দুনা ঙসি থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী মনুংদা লৈরিবা চিলদ্রেন ৱিথ স্পেসল নীদস (সী দব্লিয়ু এস এম) শিংগীদমক নোংমগী ওইবা দিষ্ট্রিক্ট লেভেল স্পোর্টস ইভেন্ট অমা থৌবাল দি সী কমপ্লেক্স মনুংদা লৈবা জেদ ঈ ও থৌবালগী কমপ্লেক্সতা পাঙথোকখ্রে।

ইন্টরভেন্সন ওফ ইনক্লুসিভ এদ্যুকেশন ফোর দিসএবল থৌবালগী শরুক অমা ওইনা পাঙথোকখিবা স্পোর্টস ইভেন্ট অদু হৌদোকপগী থৌরমদা এম ঈ এস -ৱান, জেদ ঈ ও/দি পি ও, সমগ্র সিক্ষ্য জোন-ৱান, থৌবাল ৱাই অচৌবা, দি আই স্কুল জোন-টু থৌবাল নিংঙোম্বম রাজেন অমদি সমগ্র সিক্ষ্য থৌবালগী দিষ্ট্রিক্ট প্রোগ্রাম ওফিসর পি সুকুমারনা মরুওইবা মীওইশিং ওইনা শরুক য়াখি।

জেদ ঈ ও থৌবালগী অকোয়বদা অঙাংশিংগী ওইবা রেল্লি অমা চৎলবা মতুং ইভেন্ট ৭ (ম্যুজিকেল চ্যের, ম্যুজিকেল ষ্টেচু, ব্লাইন্দ হিট, মিটর ১০০গী লমজেল, বেলুন থুগায়বী, সোফ্ট বোল থ্রো, স্বিট প্লকিং)দা অথোয় অহেন তান্নখিবা স্পোর্টস ইভেন্ট অদুবু হৌদোক্লদুনা জেদ ঈ ও অচৌবা অমদি দি পি ও সুকুমারনা ফোঙদোকখিবদা ঐখোয় খুদিংমক হকচাংগী নুংঙাইতবা অমমম লোয়না লৈরিবা ঙাক্তনি। মরম অসিনা দিফরেন্টলি এবলশিংবু ঐখোয়না কৈদৌনুংদা হন্থনা য়েংলোইদবনি। মখোয়বু হন্থনা য়েংবগী মহুত্তা তাইবং শেম্বা মপুনা মখোয়দা পীবিরক্লিবা অরোনবা থৌনাশিং অদু খঙদোক্তুনা মীয়াম মমাঙদা উথোকহন্নবা হোৎনগদবনি। লোয়ননা মখোয়বুসু মহে মশিং মতীক চানা তমহন্দুনা মতীক চাবা মী অমমম ওইহন্নবা হোৎনবদা খুদিংমক্না থৌদাং লৌফম থোকই। দিফরেন্টলি এবলশিংবু পুক্নিং থৌগৎপা ওইনা অমদি মখোয়গী হৈশিংবশিং অদু খঙদোক্নবগীদমক ইভেন্ট অসি পাঙথোকপনি হায়খি।

# মণিপুরগী শান্নরোয় ৫না গোল্ড মেদল ৮ লৌদুনা লমদমসিগী মীংচৎ পুরকখ্রে

**ইম্ফাল, নবেম্বর ১৮ (ঐচ এন এস):** ভুটানগী থিম্ফুদা থা অসিগী ১৪দগী ১৬ ফাওবা সনজুক্তা ভারতিয়া খেল ফাউন্দেসন (এস বি কে এফ)না শীন্দুনা পাঙথোকখিবা ১২ রক শুবা ইন্টরনেশনল গেমস ২০২৫গী পৱারলিফটিং অন-ইক্যুইপতা মণিপুরগী শান্নরোয় ৫না গোল্ড মেদল ৮ লৌদুনা লমদমসিগী মীংচৎ চাওনা পুরকপা ঙমখ্রে।

গেমস অদুদা মেদল ফংলকখ্রবা পৱারলিফটিং অন-ইক্যুইপ শান্নরোয়শিং অদুদি টি ঐচ প্রেমোজিৎ (মাষ্টর অমদি সিনিয়র কেটাগরিদা গোল্ড মেদল অমমম), টি ঐচ রজিব (মাষ্টর অমদি সিনিয়র কেটাগরিদা গোল্ড মেদল অমমম), কে প্রেমজিৎ (মাষ্টর অমদি সিনিয়রদা গোল্ড মেদল অমমম), দব্লিয়ু জয়েন্তকুমার (মাষ্টরদা গোল্ড অমা অমসুং সিলভর) অদুগা ৱিলিয়ম কৈশাম (সিনিয়র কেটাগরিদা গোল্ড মেদল অমা ) লৌরগা মণিপুরগী শান্নরোয়শিং অসিনা গোল্ড মেদল ৮ অমদি সিলভর মেদল অমা পুন্না মেদল ৯ লৌদুনা লমদমসিগী মীংচৎ পুরকখিবনি।




**Manipur Handloom & Handicrafts Development Corporation Ltd.**

(A Government of Manipur Enterprise)

Governor Road, Paona Bazar, Imphal 795 001, Telephone: 0385-245 1495

N O T I C E

Imphal, the 18th November, 2025

No.MHHDC-180/NHDP-EXPO/2025: Applications are invited from the interested handloom weavers, handicrafts artisans, agencies including Co-operative societies, Producer Companies, SHGs, JLGs, Federations, Corporations, Apex Societies indicating names, address, Aadhaar number, weaver/ artisan card No., bank account number with IFSC, contact number etc for participation in the **"Hathkargha Mela" (State Handloom Expo)** to be organized under the sponsorship of the Development Commissioner for Handlooms, Ministry of Textiles, Government of India as given below.

| Sl | Name of Expo | Venue | Event Date |
| --- | --- | --- | --- |
| 1 | "Hathkargha Mela" SHE | Thoubal | 02.12.2025 to 15.12.2025 |

2.0: Handloom stalls will be allotted to handloom agencies which are in possession of or applied for Handloom Mark/ India Handloom Brand registration.

3.0: Number of stalls to be allotted is on the following manner.

| Handloom | Handicrafts | KVIC Products | Food Court | Jute | Promotional | Total No. of stalls |
| --- | --- | --- | --- | --- | --- | --- |
| 41 | 12 | 3 | 2 | 1 | 1 | 60 |

4.0: Last date for submission of application is 27 November, 2025 (Thursday). No further request shall be entertained after the last date in any case. Selection of participants will be done on 29.11.2025 at 1pm

Application should be submitted to the **Manipur Handloom & Handicrafts Development Corporation . Ltd.**, Paona Bazar, Imphal, Manipur during office hours

Sd/-
(Elangbam Jeeten Singh)
Managing Director


HL-B/10009/19







## HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



**PUZZLE NO. 1653**

**FM Tobias2 Schmidt (2272) - FM Tigran Nazaretyan (2316)**
**Titled Tuesday 26th Oct chess.com INT (8), 2021.10.26**

1.e4 c5 2.c3 Nf6 3.e5 Nd5 4.Nf3 Nc6 5.d4 cxd4 6.cxd4 d6 7.Bc4 Nb6 8.Bb5 dxe5 9.Nxe5 Bd7 10.Nxd7 Qxd7 11.Nc3 e6 12.O-O Rd8 13.Be3 a6 14.Bxc6 Qxc6 15.Rb1 Be7 16.Qg4 g6 17.Bh6 Bf8 18.Bg5 h5 19.Qh4 Rd7 20.Bf6 Be7 21.Ne4 Rxd4 22.Rfe1...

**QUESTION : Black to win**

**Puzzle 1652 Solution :**

**19. ...Qc5+ 20.Kh1** *Garbage collection* **Qf2 21.Rg1**
*21.Qg5 Rxe1 22.Rxe1 Rxe1#*
*21.Rxf2 Rxe1+ 22.Qxe1 Rxe1+ 23.Rf1 Rxf1#*
**21. ...Qxe1 22.Qxe1**
*22.Rxe1 Rxe1+ 23.Qxe1 Rxe1#*
**22. ...Rxe1 23.Rxe1 Rxe1#** *Back-rank mate*
**0-1**

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei; e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com